# সাহিত্যগী কাখল

## শৈরেং

### ভোটপু কুম্মৈনি খনবরা

*ঃ রোসন মোইরাংথেম*

ফ্রিনি হায়রদি বদনামসু চাজগে,
ফ্রিনি হায়রদি হূসু থকচগে,
ফ্রিনি হায়রদি অফংবা খুদিংমক চাজগে,
ফ্রিনি হায়রদি অমাংবা ফাওবা চাজগে,
হয়েং ভোট কাখ্রগদি লোইনা চপ মান্নবনি,
ভোট হায়বসে খ্বাইদগী নুংঙাইবা কুম্মৈনি,
চাকচা হৈজান্নবা য়াওদ্রবদি ভোট মান্দে হায়নৈ,
য়ু–লাং থক্কবদি ভোট নৎত্রে হায়নৈ,
লাইরবসু পৈশা লৌই ইনাক খুনবসু পৈশা লৌই,
লাইরিক হৈবসু পৈশা লৌই, হৈতবসু পৈশা লৌই,
অদুননি প্রজাবু খ্বাইদগী তেঙবা লল্লোনপোৎনি হায়রিসে,
ইশা ইশানা মন্ত্রিক্লরগা য়োম্বোকখিবা ইশাগী হক্কি,
এমএলএ, মিনিষ্টরবু ওইখ্রবদি
ঐখোয়বু কাওনবীখ্রে, লাওনরি,
মশা মশাগী অশোয়বা খঙজদে, মীগী অশোয়বতা উবা,
ৱাখিনি মীরোল খরদি ৱাজসনু মতম খরদি,
জ্ঞান তাদবনা য়াম্লি, লাইশু খঙদবনা নম্লি,
মীকপ থোক্লসি কম্লৈচাশিং
হৌরো হৌরো য়াকাইরো।

### শজিবু চৈরাওবনা লাকপদা

*ঃ রাজেন্দ্র সরুংবম*

শজিবু চৈরাওবা লাকপদা
মথেল হাওরনি।
মৈতেগীনা ঙা, নোংমা পানবা,
ময়াংগীনা নিরামেশ তরামরিনি পানবা
ঐদি অনীমক চাগনি।
ঐদি অনীমক য়াওগনি।
নুংঙাইনবু লৈগনি।
শজিবু চৈরাওবা লাকপদা
হৈপাল লৈপাল পুম্বসে
অনৌবা য়েন্নিংহুল
অনৌবা ফিজোল হোংলেদো।
তনৌ তনৌবা মায়থোংনি
হরাও মোমোন মীনোকনি।
অদুবু নিংশিংলক্লুদো
মাগী কুমওনসু লাকপসিদা।
নুংঙাইনা লৈয়ু নহাকসু
নুংঙাইনা লৈগে ঐখোয়সু।
শজিবু চৈরাওবা লাকএদো
পুক্লিংসু ঈলাং লাংলেদো
শজিবু চৈরাওবা লাক্লেদো।
পুরক্তে করিসু ঐখোয়না
পুরোই করিসু হনখিবদসু।

### য়েক্লবনি মীওইবগী

*ঃ ডাঃ নির্মলা রাজকুমারি*

অহেনবা অপাম্বনা
মাঙহনগনু পুন্সি লম্মখাংদা।
অপাম্বা য়াম্বা হায়বসে
লগেজ য়াম্বগুম্বনি জর্নিদা,
পুবগী অৱাবা, শেন্নবগী অৱাবা
মাঙখিদ্রা পাখৎপগী অৱাবা।
য়াম্লবদি অপাম্বা
ৱাই ফংনবা হোৎনবদসু
নীংবা কাই ফংহৌদ্রগসু।
কল্লকপা, মিহৌবা, অশাওবনসু
মাঙহল্লি পুন্সি কয়া অমা।
থাদোক্কদবনি ঐখোয়না
অসিগুম্বা য়েক্লবশিং মীওইবগী।
তমদুনা কখোকপা
পাংদুনা মীগী মতেং
হোৎনগদবনি নুংঙাইনা লৈনবা।
লাকপদসু তাইবঙপানদা

### ঐদি পাখঙনি

*ঃ শান্তিকুমার হুইদ্রোম*

ঐনা
লম্বীদুদা চৎনা চৎনা
অকোয়বদা কোয়য়েং য়েংঙি
মীসু ফনা য়াম্না চৎনৈ
চৎলিবা মীশিংদু
মাগী মাগী মতৌ চিন্নবঙাক্তা
ঐঙোন্দা কনাসু য়েংলক্তে।
নুমিৎতুদা
লম্বীদুদা
ঐগা
খঙনবা অমফাওবা থেংনখিদে
অদুগা অপীকপা অঙাংশিং
মমাশিংনা মখুৎ শমদুনা চৎমিন্নখিবা
ঐনা উরগা খল্লি
খরা লৈরদি
হম হম চাউরক্লগনি
পীক্লিবা অঙাংশিংদু
মসি খল্লুবদা ঐদি
হৌজিক ফাওবা পাখঙ ওইরি
য়ুম পান্দ্রি।

### সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি

*ঃ তোলচৌ শমজেৎশাবম*

ইলেক্সনগী কেন্দিদেট মশিং
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি
শক্তি পায়নিংবদা ঙাওনবা
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
লন্নাই স্কুল মশিং
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
জর্দা চাবী নুপী
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
খৈনি উম্বে চাংসু
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
য়ু থকপা নহা অহল
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
দেব–কর্ম্ম শেম্বা পোৎয়েং
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
নিবদা ইকাই খঙদবা
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
নুপীবু ইজ্জৎ মাঙহনবা
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
লায়র অনংগী মীশিং
সুম সুম হেঙ্গৎলক্লি।
করি থোক্লগবা লমদমসে
অফবদি খক ওইথোক্লোই।

### ভোট শোয়দনা পীগনি

*ঃ ইরোম মোবি*

ঐঙোন্দা
য়াম্না হায়জবীনু
কিসু কিহনবীনু
শেলসু পীবীনু
গারিনসু পুবীনু
ইশানা খঙনা
মতিক চাবা মীওইদা
ভোট শোয়দনা পীগনি।
করপ্সন ফ্রি ওইহন্দুনা
চাউখৎপা লমদম অমা ওইবনা
ঐগী অপাম্বনি।

## ৱারী

### মতম পুম্বদা ইনৌদা নৌদুনতা লৈরিবা মালেমগী ৱারী মচাশিং–

*(মীতৈরোলদা ইথোক্লিবা তোংব্রম গুলামজাৎ )*

*জোন গ্রিগসকী*

# ঐখোয়না বুইক কার অমা ফংখিবা নুমিদাংদু

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী হেক মাঙওইনবা মতাং অদুৱাইদনি। নিয়ু য়োর্ক টাউন অদুদা কার অমফাওবা লৈজদবা ইমুং অমা হায়বদু ঐখোয়গী ইমুং খক্তা ঙাইরে। ঐসু ইনখৎলকপদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ওইরম্মী। অদুনা অতৈ লোইনা কার লৈনখ্রগা শুপ্নগী ঐখোয়গী ইমুংদমক কার অমা ফাওবা লৈজদবা হায়বসি ঐঙোন্দা য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইরম্মী। ঐখোয়না নুংতি নুমিৎ খুদিংগী কৈথেলদগী পোৎ চৈ লৈথোক লৈশিন তৌবদু চাকা অনী পানবা শগোলনচিংবা গারি অমদা অদুম চৎথোক চৎশিন তৌরম্মী। ইমানা শগোলদু বারকিস হায়না মমিং থোল্লম্মী। মিং অসি দেবিদ কোবর ফিল্ডগী ৱারী লাইরিক অমদা য়াওবা ফাগীদি চেল্লগা য়েংনিংদবা মীশক মীওই অমগী মমিংনি। শগোলসিনা থাঙবা খোঙথাং খুদিংমক্লা ঐখোয় ইমুংগী লাইর–অনংগী শক্তমদু উৎথোকপগুম তৌরম্মী। শন্না হায়রবদা, ঐখোয় লাইরবা ইমুং অমনি। পাবানা কেরাণি মচা অমা ওইরগা ঐখোয়গী অনা অয়েক য়াওবা লাইরবা মরি মতা কয়া অমসু য়েংশিল্লিবনি। ঐখোয়মক্লা লৈরিবা য়ুমদু ফাওবা মতমদুদা মীঙোন্দা বন্ধান থল্লি। অদুবু ইমুং মনুংগী অসুক লাইর–অনংগী ফিভমসিদা ইমানা ইতৎ–তত্তনা থেমজিন ৱাহৈ হায়গনি, ‘ নশা নশাগী লম্বীতু চুম্মু। মদুনা অথোইবা লম্নি।’

মদু হায়রকপদা ইমাদা ঐনা পীখিবা অয়াকপা পাউখুমদি, ‘ নখোয়না কার অমা ফাওবা লৈবা ঙমদে’, হায়বসিনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়গী ইমাদি ইমুং মনুংগী লৈত–লাইর খুদিংমক্তা মনা মনিল থোকহন্দনা পুক্লিং ফাথরগা খাঙদুনা লৈবদু থোইদোক্লা মায় পাক্লে হায়গনি। মদুমক্লা ঐখোয়গী লাইরখ্রবা য়ুমদুদা মশাগী ওইবা শুম্লৎয়াই অমা লৈজরম্মী। ইমাদি লৈতেং ওইনা পীকখ্রবা ফি খরদা মফম চানা ফজনা য়েক খোৎতুনা লৈতেং তৌবগী অরোনবা মহৈদু মঙোন্দা য়াওজরম্মী। অদুবু য়ুমদুগী কারনচিংবা থম্ফম ওইগদবা অহেনবা কাদু ঐখোয়গীদি হৌজিক ফাওবা কারগী মহুৎতা শগোল থন্নরি। শগোলশঙ ওইরি।

নোংমদি ইখঙ হেক খঙহৌদনা, কার লৈতবগী ঐগী ইকাইবদু মীংচৎকী মঙাল অমা ওম্বোকপগী মিৎকুপ অমা থুংলখি। চয়োল কয়া অমা য়াম্না নৌরিবা বুইক কৌবা কার অমা মীয়ামগী য়াম্না চৎনরিবা লম্বীদুদা লৈবা অচৌবা দুকান অমগী মনুংদা থেন্দুনা থম্বদু দুকান্দুগী থোঙনাওদু ফাওদুনা য়েংবদা উরম্মী। খুঙ্গংগী মেলা তৌবদুগী অরোইবা নুমিদাংদুদা কারদু মনা ওইরগা লোটরি তৌগদৌরিবনি। মথেল কয়াগী মৈগী কুম্মৈদু য়েংবা লোইরবা মতুংদা, মীয়াম তিল্লিবা মফমদুদগী চিদাই ওইরপ্না মরুম লাংবা মফম অমদা ঐ লেপ্তুনা লৈরম্মী। মখল মথেলগী লৈতেং কয়া তৌরবা খরা ৱাংখৎপা প্লেটফোর্মদুদা মচু কয়াগী মরক্তুদা বুইক হায়রিবা কারদু থল্লম্মী। ঐনা

> *হে নুংশিবা, মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা থুপ্তুনা লৈরিবা!*
> *নঙ য়াকাইরো, ঈং তপহনবীরো নঙনা মালেমসে!*

লোটরিগী টিকেটতু কনাদা ফাওবগে হায়বদু খঙনিংদুনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা অদুগুম্বা লাইবক ফবা লোটরি টিকেটতু য়াওবা উপুদু থল্লিবা মীংশেলনা কোইশিল্লগা খাগৎলিবা মফমদু তান্না মেয়র সাহেবতু য়ৌরক্লে। মহাক য়ৌরকপদুদা তিল্লল্লিবা মীপুম খুদিংমক নিংশা শ্বর হোনবফাও লেপ্পগুম তৌনরম্মী।

অদুগুম্বা লাইবক ফবা টিকেটতু টাউনসিগী মনুংদা কার অমা ফাও লৈত্রিবা ঐখোয়গী ইমুংদা ফাওরক্কনি হায়বসি ঐদি শুকখনবু খল্লুদে। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা ঐগী পাবাগী মমিংদু মাইক্কী হৌরবা খোঞ্জেলদুদা লাউথোরক্লম্মী। মদু হেক তাবদা ঐসু প্লেটফোর্মদুগী মায়কৈ লোমদা চঙশিল্লম্মী। মেয়রদুদা কারদুগী ছোৈজেদু পাবাদা শীন্নরম্মী। অদুগুম্বা হরাও তয়াম্বা মরক্তুদা পাবানা কারদু য়াম্না তপ্না থোরক্লম্মী।

ঐগী মরুপ মপাং কয়া কারদুদা ফম্মিন্নরগা ঐনা কারদু থৌরিবগী ৱাখল পুক্লিংদা শাগৎলগা ঐ শুপ্নগী সেকেন্দ খরদা য়ুম য়ৌরক্লম্মী। য়ুমদু ইমম মন্নম্মী। অদুবু ইমুংগী কা মনুংদদি থাউমৈ থাল্লি। বুইক কারদু চঙশিল্লক্তুনা য়ুমগী মমাঙ থংবা শরুক্তা পানবা থৌনাওদুদগী থোরকপা মৈঙালদুদা ইরং লংখৎনা য়ুমদুগী মমাঙদা খামদুনা লৈরে। মতমসিমক্তদা ঐনা শগোল থল্লিবা ঐখোয়গী কাদুদগী শগোলদুনা মনাতোন্দুনা খোঙবগুম্বা খোঞ্জেল অমা তারকখি।

চেল্লকপদা নিংশা মপী থবেৎ–থবেৎ হোল্লদুনা ঐনা কারদুগী শিৎ নানবা মশাদুদা শোক্লম্মী। থোঙদু হাংদোক্লম্মী। অদুগা কারদুগী মনুংদা চঙলম্মী। কারদুগী তরু–তহেনবা মনুংদুদা অহনবা কার ওইবগী থোরকপা পুমতোপ তোপ্পা অঙকপা মনম অমা ঐঙোন্দা ফাওরম্মী। ঐনা ইরং লংবা গারিদুগী মনুংগী মমায়দু কুপশিন্না য়েংলম্মী। অদুদগী মনিংগী ফম্ফম লোমদা লৈথোক্তুনা য়েংবা মতমদা মনিংগী থোঙদুদগী পাবাগী য়াম্না খিং খিং লাওবা ফিভমদু উরম্মী। মহাক্তু কারদুগী নাকলদা চৎলম্মী। থোঙদু খঙহাং হাংদোক্লগা ঐনা পাবাগী মনাক্তা চঙলম্মী। অদুবু মহাক্লা হায়রকখি, ‘ঙাইহাক্তং ঙাইখো।’ মহাক্কী খঙহায় খঙজিন ওইনা হায়রকপা খোঞ্জেলদুদা ঐগী খোঙফমদু খঙহন–হল্লম্মী। ঐঙোনদা নুংঙাইতবা ফাওরম্মী। অদুনা থৱায় নুংঙাইত–নুংঙাইতনা ঐ য়ুমদুগী মনুংদা চঙলে।

ঐনা চঙলকপা লম্বীদুদা ইমাগা ঐগা ইমুংদুদা থেংনরম্মী। অদুগা ইমানা ঐঙোন্দা হায়রকই, ‘ থোইদোক্লা নুংঙাইতবা তৌরুনু। পাবাগী ৱাখলদা তঙাইফদবা ৱাফম অমা খনবগুম তৌই। ঐখোয় নঙগী পাবাদগী অচুম্বা পাউখুম অমা ফংদ্রিফাওবা ঙাইবা তাই।’

‘করিনো ইমানা হায়রিবু ? কার অসি পাবাগী মিংদা লোটরি ফাওরক্লবা নৎত্রা?’

ইমানা তপ্না খুল্লকই, ‘কারসি ঐখোয়গী হেক্তা ওইদবা য়ারি। ৱাফম অমা লৈরিবা মাল্লি। ঙাইহাক্তং পুক্লিং তপথনা ঙাইখো।’

ঐনা খঙলাউ লাউনা হায়রকই,‘ করিনো ৱাফম অমা লৈরি হায়ববু ? প্লেটফোর্মদুদা তিল্লিবা মীয়াম পুন্নমক্কী মমাঙদা পাবাগী মিং লাউথোক্তুনা কারসি পাবাদা ফাওরে হায়খ্রবনি।’

মথং মথং

# জর্ম্মন লৈবাক্তা লৈবা জেমস রোদিগী নীংথিরবা লৈগী য়েন্দায়

লমাবম তোমচা সিংহ

হান্নগী মখাঃ

মেরিগী মপা জেমস রোদি লৈখিদ্রবা মতুং অসিদদি মহাক্কী ৱাখল লৈতাফম ইখঙ খঙলমদে। মপানা শেন্নম্বা লৈকোলগী লৈশিংদু চৎতুনা য়েংলুবা মতমদা শাৎলিবা লৈরাংশিং অদুনা মেরিবু নুংঙাইহনবা ঙম্লমদে। লৈকোল অদুগী অকোয়বদা হৌরিবা উচাল পাম্বীশিংদুগী মনাশিং অদু মেরিগী ৱাখলদা খুইথরকপগুম খল্লম্মী। খন্না খন্না মতম কৌবী লাইরেম্বী অদুনা হৌখিবা থৌদোক ৱাথোক পুন্নমক পুখিবনা মেরিদু মপা কায়নবগী কায়না মৈচাক মমি শান্নক্লে। মপী মপা লৈত্রবীনি খন্দুনা লৌউবগী মতৈ মনাও অদুনসু মেরিবু হেক পোকচবা মচা নিংঙোল মক্নি খন্দুনা থোইদোক্লা লুনা চান্না তৌরম্মী।

মেরিবু লুনা চান্না তৌবীবা মতৌ অসি উবদা লৌউবগী মমৌ শকহেনবী অদুনা কল্লক্লম্মী। অপোকপা মচাগী মমৌবুনা মীরাইবীবা পোক্তবা অয়োকপবুনা লুনা চান্না তৌবীবা, অসিগুম্বা ধর্ম্ম লৈত্রবা ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী মমৌ অদুনা খন্দুনা ইমুং অদু মহী লাংদুনা লৈতাফম খঙদনা ৱানা লেনবা পুন্সি মরেল অমা ওইরকপা হৌরে। নুমিৎ খুদিংগী ঈশৌ লাংবনা মেরিদু লৈফম চাফম খঙলক্লে। মশক মতৌ ফজবী মমৌ অদুগী লুহোংবদা অঊনপোৎ য়াম্না উল্লকই হায়দুনা য়াম্না নাপল তৌবা ৱাঙাং কমজাও হুন্দুনা ঙাংই। মনেম মকু অমদি মেরিবু অখুবা অমোৎপা কাদা লৈহল্লগা মখোয়না অচৌবা য়ুমজাওদা লৈদুনা মহারাণি অমগুম লৈরম্মী।

মতৌ অসিদা লৌউবগী মচানুপা ধর্ম্ম চেনবা অদুনা মাগী নুপী শকহেনবী অদুদা নঙগী খুজিল থৌরাং য়ানিংদে হায়না ঙাংলুবদা থোইনা হেন্না ইমুং মহিং লাংনবা ওইনা থোক্লম্মী। জেমসনা হিংলিঙৈদা শান্তি লৈরোই হায়রম্বা ৱাহৈ অদুমক লৌউবগী নাকোংদা তত্তনা তাবগুম তৌরম্মী। ‘ হে পুকচেল ফজরবা ধর্ম্ম লৈবা জেমস নঙনা তাকপীরম্বা ৱাহৈদুমক থোক্লরেনে।’ অসি হায়দুনা লৌউবা নুপা অদুনা মোৎলবা কা মনুং অদুদা তেংথাদুনা কপ্লম্মী।

নুংশাদা ফৌরম্বা মৌ অদুগী ফি অমা নুংশিৎনা হুমদুনা পুখ্রবা অদু মেরিনা লোৎশিনবনি, পুথোরক্তবা য়ারোই। খুদোপ হুরান্দুনা নিংথৌনা তাম্বোকপীরক্লবা হুরানবী, হৌদোংলম্বোইবা শাদুনা য়ুমসিদা পুকচেল চাওরবা ইকু ইনেমনা থম্বীদুনা নাও চাউরে। হায়জিন্দুনা মেরিবু য়ুম অদুদগী তাম্বোক্লবা থৌরাং তৌরক্লে। মপা কায়নবগী অৱা মৈচাক নেমথখিবতা মঙাইহৈরিঙৈসিদা মশক মতৌ ফজরবী ইনাক খুনবী অঊনপোৎ য়াম্না উল্লকই হায়দুনা নাপলনা ময়াই কারবী য়ুম মৌ অদুনা ওৎপী নৈবীবদা মেরিদু খাঙবদা ৱারে। মপা ইবুংঙোগী মোংফমদা চৎতুনা অৱাবা খাঙজখি। হৌখিবদা মেরিনা মপাগী মোংফম মথক্তা থারম্বা অতরগুলাপ পাম্বী অদু উরুবদা মশা মতোমতা শোম্ভজে ‘ঐগী ইপানা অতরগুলাপ পাম্বীগা মীওইবা পুন্সিগা চাংদম্নরম্বা অদু কয়াদা চুমখ্রবনো। নাকেম্বা লাক্কনি, মহাক্কী মশা অমদি তিংখং অদুতা ঙাইহৌরনি, লৈখোংদা লোয়না কেনখিনি। অদুগা য়েন্নিংথা য়ৌরক্তুনা নৌনা অমুক ময়োল চোংলক্তুনা লৈ ওইনা শাৎলক্তুনা মীওইবগী পুক্লিং পেলহনগনি।’ মসিমসু মপানা তাকপীরম্মী, ‘ অখাং কল্লু, নঙগী নথক্তা অৱাবা নংহল্লিবদু ঈশ্বরগী চাংয়েং মখল অমনি।’ পুন্নমক নীংশিংলুবদা মেরিনা অসুন্না মপাগী মোংফমদা মখুৎ অনী লোন্নরগা ও ! ঐগী নুংশিজরবা পম্বৌ অপোকপা নহাক্লা হায়দোকপীরম্বা ৱাহৈশিং অদু ওম্বোক্লসু চুমখ্রেদকো’, মেরিনা মীৎলুদগী পিরাং শিম্বনা তেংথাজরম্মী।

মতৌ অসুন্না মেরিনা অৱাবা কয়া মায়োক্লন্দুনা ৱানা ৱানা লেল্লকপনা মপাগী মপোক কুমওন নুমিৎ জুলাইগী তাং ২৫ অদু অমুক হন্না থুংলরে। অৱাবা পুন্নমক্কী হৌরকফম ওইখিবা মপানা শারম্বা লৈগী য়েন্দায় অদু মহাক্লা লৈরিবা কা অদুগী উপু মথক্তগী লৌথরগা, লৈকোন্দুদগী ফজ–ফজরবা লৈ মখল কয়া হেক্লুরগা য়েন্দায় অদুদা হাপ্লগা মপাগী মোংফম মথক্তা থল্লম্মী। লৈগী য়েন্দায় অদু মোংফম মথক্তা থল্লগা অসুন্না হায়জরম্মী, ‘ হৈ, নুংশিজরবা পম্বৌ অপোকপা নঙদি মপা ওইবা খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী অথোইবা নুংশি হৈবা অদুনি, ঐগী পুন্সি লম্বী অসি নঙনা মরিক চুন্না লৈতেংহল্লিবনি, ঐনা নঙগী য়াথং নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদ্রবসু নহাক্কী মোংফম অসিদা ঐগী লৈজবা লৈ খরা থম্মোয় শেংনা কৎচরিবসি– পম্বৌ নঙনা পেনবীয়ুকো।’

মতম খরা লৈরবা মতুংদা লৌউবা নুপা অদুগী মমৌ মশক ফজবী লমকেৎ লমহাইবী অদুনা মেরিবু তাম্বোকপীরে। মহাক্কী লৈজবা মপোৎ মচৈ খরদু য়োমশিল্লদুনা নুমিদাংৱাইরম মমশিল্লকপা মতম অদুদা ফি ময়োম অদুগা লোয়ননা য়ুমদগী মপান থোরক্লে। মৈরিনা চৎলমদাইদা লৌউবা মতৈ মনাওদা হায়রম্মী, ‘ পলেম পম্বৌ অনীদা নচানা মসিমতং হায়জরমগে, তশেংনমক ফি অদু ঐহাক লৌজদবনি। অসি হায়রগা মমায় নোংপোক ওল্লগা থোরক্লে। মেরিনা অসুম লাকপনা উমং ৱামংগী লম্বীদা ফাওদুনা চৎলিবা অপীকপা লম্বী অদুদা চৎতুনা মেরিনা চীং অমগী মথক্তা কাখৎলি। লম্বী লমথুং খঙদ্রবা মেরিগী পুন্সি খোঙচৎ অসিদা মপাবুংগী মোংফমদা অমুক্তংদি চঙলগা মপাদগী অরোইবা বিদায় লৌনিংলম্মী। মেরিনা উমং অদু লাম্বোকপা মতমদা নুমিৎদাংগী পুং ৭ তাখ্রে। মপাগী মোংফম য়ৌদ্রিঙৈদা পুমমম মমখ্রে। অদুবু মোংফম তান্না চৎপদা মহাক্কী মশাদা অকি তুজুংবা অমত্তা ফাওরমদে। মহাক্লা লেপ্পা লৈতনা মথং মথং লাকপদা মপাগী মোংফম য়ৌরক্লে। নুমিৎ অদু পুর্নিমা নুমিৎনি। অমকপা অমত্তা লৈতনা ঙাল্লিবা থাগী মঙালনা উচাল পাম্বীশিংগী কারক্তগী ফাওজিল্লকপা মঙাল অদুনা মপাগী মোংফম অদু পুমঙাল ঙান্না উরক্লে। মপাগী মোংফম অদু হেক য়ৌরকপগা মেরিগী মমিৎতগী পিরাং অদু হায়নিংঙাই লৈতনা শিম্থরম্মী। থাবলগী মঙাল অদুনা মোংফম মথক্তা হৌরিবা অতরগুলাপ পাম্বী অমসুং লৈগী য়েন্দায় অদু অমুক্লা হেন্না ফজহল্লম্মী।

মথং মথং

## চয়োলগী রাশি ফল

এপ্রিল ১৪ দগী এপ্রিল ২০ ফাওবগী

মেষঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎপা কায়দে। ৱাখল য়ামগনি। মথৌ চিনগনি। তুংগী প্লান তৌগনি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংগনি। অনৌবা পোৎচৈ লেপশিনগনি। ফম হোংগনি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা লৌউ শিংউবগী থবক্তা, য়ুম কৈ শেম শাবগী থবক্তা থৱায় য়াওগনি। লাই তিনগী থবক্তা পুক্লিং চঙগনি। মরী মতা চাওগনি। হকচাংগী ওইনদি কায়দে। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি হায়না শিংনৈ।

বৃষ ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা চরক চহিং তৌগনি। মথৌ চিনগনি। পুং ঈশৈ তৌবা কান্নগনি। লমদা চৎপা কায়দে। ফম হোংগনি। ৱানোম্বা চক্রি থাংগনি। অনৌবা মরুপ ফংগনি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী শুবা নোম্বা, করবার তৌবা কান্নগনি। মরী মতা য়ুমদা লাক্কনি। মীনা চানবীগনি। হকচাংগী ওইনদি মিৎ নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি ফজনা তৌগনি। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি হায়না শিংনগনি।

মিথুন ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। ৱানোম্বা মায় পাক্কনি। মচা , মশু,লন ফংগনি। ইমুং মনুং শান্তি ওইগনি। মীনা চানবীগনি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎপা কায়দে। তুংগী প্লান তৌগনি। করবার চাওখৎলি। লাইবক য়েংবা থবক শেল মাঙই। হকচাংগীদি খুৎ নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি কায়দে। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি হায়না শিংনৈ।

কর্কট ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা শা ঙাগী করবার শেল মাঙই। ঠিকা তৌবা চাওখৎলি। পন্দুনা লৈরকপা শেল ফংই। য়েক্লবা য়াম্মী। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎপা কায়দে। ফম হোংই। লাই তিনগী থবক্তা পুক্লিং চঙই। হকচাংগী ওইনদি য়া নুংঙাইতে। মহৈগীদি কায়দে।পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি খৎনৈ।

সিংহ ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা ৱানোম্বা মায় পাক্কনি। শুবা নোম্বা করবার তৌবা কান্নগনি। ফম হোংগনি। অনৌবা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎপা কায়দে। শান্ন-খোৎনবগী থবক্তা মিংচৎ ফংই। তুংগী প্লান তৌগনি। হকচাংগী ওইনদি খ্বাং নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি কায়দে। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি থুংনৈ।

কন্যাঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা শেল মচিৎ মচিৎ ফংগনি। শুবা নোম্বা কান্নগনি। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। লমদা চৎপা কায়দে। ফম হোংই। মরুপ য়াম্মী। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবগী থবক্তা মিংচৎ ফংই। লোটরি য়াওবা শেল মাঙই। ঈশ্বর থাজে। হকচাংগী ওইনদি অকায়বা লৈতে। মহৈগী ওইনদি কায়দে। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি মুক্লে।

তুলা ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা পামদবা মরুপ ফংগনি। ইমুং মনুং ৱাখল তিন্নবা ৱাৎলি। শুবা নোম্বা কান্নগনি। লমদা চৎপা কায়দে। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। ফম হোংই। শুবা নোম্বা কান্নগনি। লমদা চৎপা কায়দে। শা য়েনগী করবারদা শেল মাঙই। মরী মতা লৈকায়গী থবক্তা মতেং পাংগনি। হকচাংগী ওইনদি খুউ , মিৎ নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি নিংবা থুংদে । পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি মুক্লে।

বৃশ্চিক ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মরুপ ফংগনি। লমদা চৎপা কায়দে। ফম হোংগনি। শুবা নোম্বা কান্নবা ৱাৎনি। ইমুং মনুংগী ৱাখল ফাওনদে। নিংবা থুংদবা মতমনি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা শা ঙাগী করবারদা শেল মাঙই। মরী মতা য়ুমদা লাকই। টিভি য়েংবদা মতম মাঙই। হকচাংগী ওইনদি খোং নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি কায়দে। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি থুংনৈ।

ধনুঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। ৱানোম্বা মায় পাক্কনি। করবার শেল তোঙগনি। ঠিকা তৌবা কান্নগনি। লমদা চৎপা কায়দে। অনৌবা মরুপ ফংই। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা ফম হোংই। লৈকায়গী থবক থৌরমদা মতম মাঙই। পুং ঈশৈ তৌবা কান্নৈ। হকচাংগী ওইনদি ঙক মরী নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি কায়দে। *পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি* হায়না শিংনৈ।

মকর ঃ তাং ১৪তগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা পামদবা মরুপ ফংগনি। ময়ামগী শেল চৎকনি। ইমুং মনুং শেমজিন শাজিনগনি। করবার চাওখৎলি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা ৱানোম্বা মায় পাক্কনি। শান্ন-খোৎনবগী থবক্তা মিংচৎ ফংগনি। লাই তিনগী থবক পুক্লিং চঙগনি। হকচাংগী ওইনদি খ্বাং নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি কায়দে। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি হায়না শিংনৈ।

কুম্ভা ঃ তাং ১৪দগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎলি। অনৌবা মরুপ উন্নৈ। শা-ঙাগী করবার শেল তোঙই। ঠিকা তৌবা কান্নৈ। ৱানোম্বা মায় পাকই। ফম হোংই। মরুপ য়াম্মী। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈকায়গী থবক থৌরমদা মতম মাঙই। পুং ঈশৈ তৌবা মিংচৎ ফংই। মীনা চাল্লি। ফম কায়। হকচাংগী ওইনদি অকায়বা লৈতে। মহৈগী ওইনদি ফজনা চৎলি। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি থুংনৈ ।

মীন ঃ তাং ১৪তগী তাং ১৭ ফাওবগী মনুংদা শেল মখোঙ পানগনি। পোৎচৈ কায়থোক্কনি। মরী মতা চাওগনি। লৈকায়গী থবক থৌরমদা মতম মাঙগনি। তাং ১৮দগী তাং ২০ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎকনি। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। করবার চাওখৎলি। লোটরি য়াওবা শেল মাঙই। হকচাংগী ওইনদি কোক নুংঙাইতে। মহৈগী ওইনদি নিংবা থুংদে। *পাখঙ লৈশাবীগী ওইনদি* মুক্লে।

## ৱারী চাউদবাঃ

*বাবু ইরেংবাগী নোক্লিং ৱারী,*

### ঐদি চাউতোন্নে

অঙাও অফেগুম অঙাং ওইরিঙৈদগী চারে চামিন্ননা, কোইরে কোইমিন্না, হুরাল্লে হুরানমিন্না, মী ফুরে ফুমিন্না অমনা অমবু উনদবদা লৈঙমদবগুম তিন্নরকপা চাওভল চাউসনাদো পুন্সিগী অহোংবা তাঙ্কক্তগী নুপী অঙাং লৈনদুনা ইমুং মনুং পুবা ঙম্লনবা হোৎনবদা উখিদবা নুমিৎ কয়ানি শুখ্রবনো কাওনখ্রে। নোংমদি চাউভলনা থবক অমগী চৎথোরকপদা মঙগুম্না চাউসনাদো সাইকল তোঙদুনা লাকপদা থেংনদুনা চাউভলনা সাইকলদু খাম্লগা হরাওনা ইশ ! ইতাও চাউসনা কমদৌরি, কুইরেদকো উনদবা হায়দুনা ৱারী শাজিল্লি। ইতাও চাউসনা হায়দুনা য়াম্না মুন্না খঙবগুম ঈকোই কোইদনা ৱারী শাজিল্লকপা অদুদা সাইকল তেঙ্গলকপা নিপাদুনা মাগীসি ঐবু মানবা মরুপ অমা লৈদুনা তৌরিবনি খন্দুনা ইতাও ঐ চাউসনা নৎতেয়ে। চাউতোন্নে হায়রল্লগা চৎখিরম্মী। চাউভলসু ও চাউসনা নত্তবোইরে মান্নখ্রেদকো ওন্থোক্ল হায়দুনা লেপ্তুনা য়েংহৌই।

ইকুই কুইদনা চাউভলনা চৎথোরকপদা চাউসনাদো খোঙনা চৎতুনা লৈরম্বা হেক থেংনরকই। চাউভলদো চঙশিন্দুনা ইতাও চাউসনা কুইরেদকো উখিদবা কমদৌরি ঐদি নোংমা চোম্পুরেদনা নঙগা মান্নমনখিদুনা ঈতাও চাউসনা হায়না কৌরুববু ঐ চাউসা নত্তেহে। চাউতোন্নে হায়রল্লগা চৎখিবগী ৱানিসে। চাউভলগী ৱাদু তরগা নিপাদুনা নোক্লগা হায়রকই,

–‘ ইতাও ঐ চাউসনা নত্তেয়ে নহানগী চাউতেন্দুনে।’